HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ




ওল ইন্দিয়া কো-ওর্দিনেটেদ রিছার্স প্রোজেক্ট ওন কট্টনগী দিরেক্টোরেট ওফ রিছার্স অমসুং সেবা ভারতি মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা নীংথম মরূ-মরাং থাবগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম

ওল মণিপুর নুপী মরুপকী ৮১শুবা ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ৬

নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল এৱার্দকী এপ্লিকেসন কৌরি
☛ লামায় ৬

য়ু এস কেপিটোল মনুংগী ঈরাংদা মীওই ৪ শিরে, ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে
☛ লামায় ৯

মিরাবাই চনুনা এসিয়ন চেম্পিয়ন্সিপকীদমক শেম-শাখ্রে
☛ লামায় ১০

রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিনদা এন এ টি লেব অমা রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা রিবন কক্তুনা হাংদোকখিবা




Vol. 44, Issue No. 281 | ইরাই, পোইনুগী ২৫ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, January 08, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## রিমসতা এন এ টি লেব হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএনএস): রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিনদা ইষ্টর্ন ইন্দিয়াদা লৈরিবা মেদিকেল কোলেজশিংগী মনুংদা ইহান হানবা ওইনা এন এ টি লেব (মোলিক্যুলর স্ক্রিনিং সিষ্টম) অমা রিমসকী দিরেক্টর প্রো. এ সান্তনা রিবন কক্তুনা হাংদোকখ্রে।

এন এ টি লেব হাংদোকখিবগী থৌরম অদুদা রিমসকী দিরেক্টর প্রো. এ সান্তনা ফোঙদোকখিবদা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিনদা হাংদোক্লিবা এন এ টি লেব (মোলিক্যুলর স্ক্রিনিং সিষ্টম) অসি ইষ্টর্ন ইন্দিয়াদা লৈরিবা মেদিকেল কোলেজশিংগী মনুংদা ইহান হানবা এন এ টি লেবনি। মসিনা মণিপুরদা লৈবা মীওইশিংদা অচৌবা কান্নবা কয়া পীরগনি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## একর ৩৫ রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংবগী থবক কন্না চথরিঙৈ চৈরক অসিদা মশক খঙদবা মীওই খরনা তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ফলবুং চীংগী নাপোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং কম্বাইন্দ ফোর্সনা য়ান্থৎতুনা মাঙহনখ্রে।

ঙসি পোপী পান্বী য়ান্থৎপগী থৌরম অদুদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি, টি ঐচ বিক্রমজিৎ, নাবকী এস পি, দব্লিয়ু বাসু, নাবকী এদিসনল এস পি, মোরেগী এদিসনল এস পি, তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনগী ও সী, নাব পুলিস ষ্টেসনগী ও সী, তেংনৌপলগী এস দি ওনচিংবা য়াওখি। মসিদা নত্তনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, নাব, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্ট অমদি ফোরেষ্ট দিপার্ট-মেন্টনচিংবা শরুক য়াখি।

কম্বাইন্দ ফোর্সনা ঙসি য়ান্থৎখিবা পোপী পান্বীশিং থারল্লিবা মফম অদু চাউরাক্লা একর ৩৫ রোম ওইগনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা কেস তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনদা শীন্নখ্রে।

আই টি আই সেকমাই শঙ্গাখ্রে, কৈথেল ২ শাননবা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে

# জুকো ভেল্লিদা চাক্লিবা লাম্মে কন্ট্রোল তৌরে : সী এম

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি আই টি আই সেকমাই শঙ্গাখ্রে। সেকমাই অমসুং কংলাতোংবীদা নুপী কৈথল অনী শাননবা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, জুকো ভেল্লিদা লাম্মে চাক্লিবা অদু সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট ফোর্সশিংনা চোকথবা নাইদনা হোৎনদুনা নীংথিনা কন্ট্রোল তৌরে। য়াম্না পাক-চাউনা লাম্মে চাকখিবা অদুবু কন্নবা হোৎনবদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা ষ্টেটতা তেংবাংঙ পীবীরকখিবগীদমক্তসু থাগৎলি।

মহাক্লা হায়খি, মতম কয়াগী মমাঙদগী নুপী ওইবীশিংনা থেঙ্খাং কয়ারক্তা খুন্নাই অসিবু ঙাক শেন্নবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎলক্লবনিনা নুপীশিংনা হৌজিক ষ্টেটকী ইকনমি ফগৎহন্নবা হোৎনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙল্লগনি। মতম পুন্নমক্তা মীয়াম্না হিংবদা খুদোংথিবা নংহন্দনবা লৈঙাক অসিনা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱিমেন ইম্পৱারমেন্টতা থল্লিবা মীৎয়েং অসিগী মতুংইন্না ষ্টেট লৈঙাক্নসু চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা নুপী কৈথেল শাখ্রে। লৈঙাক অসিনা মখা তানা চীং অমসুং তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ১০দা নুপী কৈথেলশিং শাননবা থৌরাং তৌরি। মসিগী মনুংদা নুপী কৈথেল ৫ শাননবা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে।



ঙসি উরেপ-উয়ুং তমদুনা সেকমাই অমসুং কংলাতোংবীদা নুপী কৈথেল শাগদৌরিবা অসিসু থা ৬কী মনুংদা লোইশিন্নবা মফমশিং অসিগী মীয়াম্না মপুং ফানা তেংবাঙ পীবীয়ু। লৈঙাক্লা মীয়ামগী য়াইফনবা পায়খৎলিবা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিদিগী লৌননবা হোৎনবীয়ু। করিগুম্বা মীয়াম্না খুদোংচাদবা থেংনরবদি অথুবা মতমদা খঙহনবীয়ু। মদুনা অথুবা মতমগী মনুংদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

সুপ্রীম কোর্টনা মণিপুর লৈঙাক্তা অরোইবা মতম পীরক্লে

# এম পি এস ওফিসরশিংগী সিনিয়রিটি লিষ্টতা য়াওবা সেরিএলগী মতুংইন্না পোষ্টশিং পীগদবনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস): দিসিপ্লিন ফোর্স অমা ওইরিবা মণিপুর পুলিস ওর্গনাইজেসনগী রেঙ্ক এন্দ ফাইলশিংগী মনুংদা মরুওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসরশিং ওইবা য়াওনা মণিপুর রাইফলস/ইন্দিয়া রিজর্ভ বট্টালিয়ন/হোম গার্দনচিংবগী কম্মান্দিং ওফিসরনচিংবগী কী-পোষ্টশিং পুহনবা রেঙ্ক অমা ওইরিবা মণিপুর পুলিস সর্ভিস (এম পি এস) ওফিসরশিংগী সিনিয়রিটি লিষ্টতা মকোক থংদুনা সিনিয়র ওইফম থোকই হায়রিবা 'প্রমোটি'শিংবু 'দাইরেক্ট রিক্রুট'শিংগী মখাদা থল্লে হায়বা য়াওনা সিনিয়রিটি লিষ্টতা 'দভ-টেল' তৌদুনা তোৎশিন্নরে হায়বা ৱাহৌদগী সুপ্রীম কোর্ট য়ৌনরক্লবা কেসতা লৈবাকসিগী এপেক্স কোর্ট অসিনা মণিপুর লৈঙাক্তা অরোইবা মতম (চান্স) পীরক্লে।

দাইরেক্ট রিক্রুট এম পি এসশিংবু এপোইন্টমেন্ট পীবদগীদি কেদর অসিদা প্রমোসন পীরকখিবনা হাল্লি হায়রদুনা প্রমোটি এম পি এস ওফিসরশিংনা সিনিয়রিটি লিষ্টতা মকোক থংনা লৈফম থোকই হায়দুনা প্রমোটিশিংনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা সিভিল রিট পিটিসনশিং ফাইল তৌদুনা লাঙ্গেংনরকখিবনি।

কেসশিং অসিগী ৱায়েলদা পিটিস্নর প্রমোটিশিংগী মায়কৈদা দিরেক্সনশিং পীরকখিবদগী মসিগী মায়োক্তা আপিলনচিংবা অমুক ফাইল তৌরকপদগী সিনিয়রিটি লিষ্টতা প্রমোটিশিংনা দাইরেক্ট রিক্রুট এম পি এসশিংগী মথক্তা লৈগদবনি হায়বগা মরী লৈনবা কেসশিং অসি গৌহাতি হায় কোর্ট ফাওবা য়ৌনরুদুনা ৱায়েল চথখ্রবনি।

অদুবু মমৈথংদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পিটিস্নর প্রমোটিশিংগী মায়কৈদা ৱায়েল পীরক্তুনা ৱাকৎলক্লিবগী মরমশিং অসিগী মতুংইন্না মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী অচুম্বা-অশেংবা (চৎনফম থোক্লবা) ফাইনেল সিনিয়রিটি লিষ্ট শেম্নবা ওর্দর পীরকখিবনি।

অদুম ওইনমক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওর্দরশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্কদবা (পিটিস্নর প্রমোটিশিংনা এক্সপ্লেন তৌবগী মতুংইন্না) অচুম্বা ওইনা শেমদোক্তুনা শেম্ফম থোকপা মতমগী মনুংদা ফাওবা শেমদোরক্তবদগী সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়া তান্না ৱাকৎনরকখিবনি।

হায় কোর্টকী ওর্দর থবক্তা ওন্থোকপীদ্রে হায়দুনা ৱাকৎখিবা সিভিল আপিল নম্বর- ৮৮৩৬ ওফ ২০১৯ অমসুং সিভিল আপিল নম্বর- ৮৮৩৭ ওফ ২০১৯গা মরী লৈনবা কন্টেমপ্ট পিটিসন (সিভিল) নম্বর- ৩৩৪-৩৩৫ ওফ ২০২০নি। কন্টেমপ্ট পিটিসন অসি এম পি এস প্রমোটিশিংগী মরক্তগী নিঙম সিরো অমসুং মহাক্লা লোয়নবশিংনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌখিবনি।

পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দে-ন্টশিংনা মতমদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা ডা. জে সুরেশবাবু অমসুং হীরমসিগী মরী লৈনরিবা রেস্পোন্দেন্টশিংনি।

পিটিস্নর নিঙম সিরো অমসুং মহাক্কী কাঙবুগী কন্টেমপ্ট পিটিসন অসি সুপ্রীম কোর্টকী জষ্টিস সঞ্জয় কিষন কৌল, জষ্টিস দিনেশ মহেশ্বরি অমসুং জষ্টিস রিষিকেশ রোয়গী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নখি। লোয়ননা জষ্টিস অহুমগী বেঞ্চ অসিনা নবেম্বর ১৮, ২০২০দা পীখিবা ওর্দরদা এপেক্স কোর্ট অসিমক্লা ফাওবা পীখ্রবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদু মণিপুর লৈঙাক্লা ইন্দবা অমসুং থবক্তা ওন্থোক্তবা হায়বসি 'সিরিয়স মেট্টর'নি হায়খিবগা লোয়ননা জজমেন্ট অদু কেস অসিগী মথংগী নুমীৎ (জন্যুৱারী, ২০২১)গী মমাঙদা 'লেট্টর এন্দ স্পিরিট'তা থবক্তা ওন্থোকহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা এদিসনল সোলিসিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (এ এস জি)দা খঙহনখিবনি।

মরমদি, হায় কোর্ট ওফ মণিপুর খক্তা নত্তনা সুপ্রীম কোর্টনা ফাওবা শেমদোক্তুনা চৎনগদবা অচুম্বা এম পি এস ওফিসরশিংগী সিনিয়রিটি লিষ্ট শেম্নবা নবেম্বর ১৯, ২০১৯দা দিরেক্সন পীরকখিবা লৈখ্রবনি।

অদুম ওইনমক নবেম্বর ১৮, ২০২০দা সুপ্রীম কোর্টনা কন্টেমপ্ট

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## পুং ৪৮গী মনুংদা কেস ১১৩ থেংনখ্রে, অমা লৈখিদ্রে

### য়ু কেদগী হল্লকখিবা মীওই অদুগী সেম্পল টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ষ্ট্রেন থেংনখিদ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনবগী চাং হন্থরক্লবসুং পুং ৪৮গী মনুংদা কেস ১১৩ থেংনখ্রে। মীওই অমা লৈখিদ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী থাদোরকপা চেরোলগী মতুংইন্না জন্যুৱারী ৬কী নুমীদাংৱাইরম পুং ৫দগী ঙসি নুমীদাংৱাইরমগী পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১০৯ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী পর্সনেল ৪ পুন্না মীওই ১১৩ নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৩১, রিমসতা ১৩, জেনিমসতা ৩৬, শিজ হোস্পিটালদা ১০, মাইপাকপীদা ৩, রাজ মেদিসিটিদা ৪, আর দি ৱিংদা ১, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৮, চুড়াচান্দপুরদা ৪, সিলমেটতা ১, নোনেদা ১ অমসুং তমেংলোংদা ১ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজি-টিভ ওইরবশিংগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৬১, ইম্ফাল ইষ্টতগী ২৭, বিষ্ণুপুরদগী ২, চুড়াচান্দপুরদগী ১০, চান্দেলদগী ২, নোনেদগী ১, উখ্রুলদগী ১, থৌবালদগী ১, তমেংলোংদগী ১ অমসুং তেংনৌপলদগী ৩ থেংনখিবনি। মীওইশিং অসিগী মথৌ তাবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## মণিপুর পুলিস কম্মান্দোগী পর্সনেল ৮গী মথক্তা সী বি আইদা চার্জশীট থাগৎলক্লে

**চহী ১২ খক্তা ঙাইরিবা অজাদ খানবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা ফেক এনকাউন্টর কেস**

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস): ঙসিদগীনা চহী ১১ রোমগী মমাঙ কুমজা ২০০৯গী মার্চ ৪গী নুমীৎয়ুংলমদাইদা ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ফৌবাকচাও মখা লৈকায় য়ুম্নাম লৈরক্তগী মশাগী চহী ১২ খক্তমক শুদুনা ক্লাস সভেন খক্তমক তমখিবা এম দি অজাদ খান, অপোকপা এম দি ৱাহিদ আলিবু ময়ুমগী মাঙ্গোলদগী নমদুনা ফারগা ফূদুনা পুথোকখ্রগা ময়ুমদগী মিটর ৭০ রোমদমক লাপ্পা লৈবা লৌবুক্কী মফম অমদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা এনকাউন্টরনি হায়বা থৌদোক্কী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না থৌদোক্তুদা চেন্নবা কম্বাইন্দ ফোর্স অদুগী মনুংদগী মতমদুগী থৌবাল কম্মান্দোগী পর্সনেল ৮গী মথক্তা চার্জশীট থাগৎলক্লে।

সী বি আইগী চার্জশীট অদু এজেন্সী অসিনা থৌদোকসিগী মতাংদা রেগ্যুলর কেসশিং ওইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর-১৫(এস)/২০১৮/এস সী-৩/ন্যু দিল্লি অন্দর সেক্সন-৩৮৪/৩০৭/৪০০/৩৪ আই পি সী, ২৫(১-সী) আর্মস এক্ট অমসুং আর সী- দি এস টি/২০১৮/এস/০০৩২ অন্দর সেক্সন- ৩০২/৩৪ আই পি সীগা মরী লৈননা থাগৎলকখিবনি।

থৌদোকসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা কেস অনী অসি সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীরকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগী মতুংইন্না সী বি আইনা মথংশিংনা জন্যুৱারী ৩০, ২০১৮ অমসুং জুলাই ৩১, ২০১৮দা অনীরক থোক্লা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

কেস অসিগী ফাইনেল রিপোর্টতা চার্জশীট ওইনা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা সবমিট তৌরকখিবনা সী বি আইগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর (আই ও) ওইরিবা সী বি আই (এ সী বি), ইম্ফালগী দেপ্যুটি সুপরিন্টে-ন্দেন্ট ওফ পুলিস (দি এস পি) সুরেন্দর কুমারনি। কেস অসিগী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## এম এল এ ওকপগী থৌরম থিংলকপদগী ঈরাং থোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস): ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরবু তরাম্না ওকপগী থৌরম থিংলকপদগী ঈরাং থোকখ্রে।

ককচিং তুরেল ৱাংমা মনারৈ পরেংদা লৈবা তুরেল ৱাংমা কম্যুনিটি হোলদা ঙরাং ককচিং এ সীগী এম এল এবু শৌগৎপা মীওইশিংনা এম এল এ রামেশ্বরবু তরাম্না ওক্লবা হোৎনখি। নাকল অমরোমদা নুপী-নুপা খরনা অমুক মফম অদুদা এম এল এ রামেশ্বরবু ওকপগী থৌরম পাঙথোকপা য়ারোই হায়না অথিংবা পীখি। নুমীৎ খরনিগী মমাঙদগী অসিগুম্বা ফীভম অমদা লাকপা

...মখা লামায় ৩ কলম ৬


MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED

TRANSFORMER DISCONNECTION

MSPDCL

1. KUMBI SUBDIVISION, BISHENPUR DIVISION
   a) DAMPI 25 KVA
   b) MALAMPHAI 16 KVA
   c) SHANTIPUR 25 KVA
   d) KAMSON 25 KVA
   e) KHENGMOUL 25 KVA
2. THOUBAL SUB-DIVISION
   a) IRONG KHUNOU 1
   b) IRONG KHUNOU 2
   c) IRONG ICHIL
   d) KHEKMAN AMAKCHAM

মথক্তা পঙ্গরিবা ট্রান্সফোর্মরশিং অসি খাজনা য়াম্না তোনবা মরম্না GM-II অমদি Official Team গনা মৈ কক্থৎচরে। করিগুম্বা কঞ্জুমরশিংনা reconnection তৌনিংলবদি ইশাগী কোল্লিবা MSPDCL Office তা চৎপীদুনা খাজনা অথুবদা থীদোকপীয়ু।

খঙহঞ্জরিবা : B. Ibomcha Sharma
GM EC-II

HL-B/6681/8


## কোংগ্রেস পার্টি মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা কুপ্না খন্ন-নৈনখ্রে, ৱারেপ মরি লৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)না শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা কোংগ্রেস ভবনদা নুমীৎ নীনি চুপ্না চথরকপা এম পি সী সীগী থৌপুবশিং অমদি পি সী সী মেম্বরশিংগী ওইবা জোইন্ট সেসন ঙসি লোইশিনখ্রে।

হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং এ আই সী সীগী মণিপুর ইন-চার্জ ভক্ত চরন দাস, সী এল পিগী লিদর ওক্রম ইবোবী, এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজম, সী দব্লিয়ু সী মেম্বর গাইখাঙম, এম পি সী সীগী হান্নগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপ অমসুং এম পি সী সীগী হান্নগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোল্লগা এম পি সী সীগী থৌপুবশিং অমদি পি সী সীগী মেম্বরশিং য়াওনা দেলিগেট ২০০ হেনবনা শরুক য়ারগা পাঙথোকখিবা জোইন্ট সেসন অদুনা কোংগ্রেস পার্টিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখ্রে। জোইন্ট সেসন অদুনা ৱারেপ মরিসু লৌখ্রে।




মীফম অদুনা অমত্তা ওইনা য়ানদুনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টরনা চ্যের লৌদুনা টি আর পি সীগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল অমসুং অকোয়বগী মফমশিংদা ট্রাফিক ফ্রী মুভমেন্ট লৈহন্নবা ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর ভুজাগিন বালটৌনা চ্যের লৌদুনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ট্রাফিক রেগ্যুলেসন এন্দ পার্কিং কম্মিটি (টি আর পি সী)গী মীফম পাঙথোকখ্রে।

সেক্রেটরিয়েট সাউথ ব্লোক্কী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা ইম্ফাল সিটি অমসুং

...মখা লামায় ৩ কলম ৬


# OFFICE OF THE MANIPUR DEVELOPMENT FINANCIAL INVESTMENT

Regd No. :240/M/BML/2017

**Keishampat Keisham Leikai, Imphal West, Manipur – 795001.**

We are looking forward for those candidates who are keen to work in this financial institution (MDFI) and ready to grow with us

| SL. No. | Designation | Qualification | Age | No.of vacancy | Salary/month |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | BDO | Post Graduate | 25 & Above | 50 | 25k-35k+incentives |
| 2 | Bank PO | Any Graduate | 25& Above | 80 | 20k-30k+incentives |
| 3 | Loan Officer | Any Graduate | 22 & Above | 100 | 15k-20k +incentives |
| 4 | Loan Inspector | Any Graduate | 25& Above | 100 | 15k-20k+incentives |
| 5 | Customer Relationship Officer | 12th and above | 20 & Above | 100 | 10K-18k + incentives |
| 6 | Recovery Officer | 10th and Above | 20 & Above | 80 | 10k-16k + incentives |
| 7 | Recovery Agent | 8th passed | 20 & Above | 100 | 7k-15k+incentives |

Last date of form submission :- **23/01/2021**
Date of interview :- (To be notified later.)
Office hour :- **10:30 am to 3:00 pm.**
Form available at :- **ALL BRANCHES OF MANIPUR DEVELOPMENT FINANCIAL INVESTMENT(MDFI)**
Contact number: **9612444089, 8794339623 & 8259003431**

Recruitment is for the new opening branches inside & outside Manipur.
Outside Manipur :- Guwahati, Shillong, Silchar, Lakhipur, Aizwal, Agartala and Kolkata [MDFI International]
In Manipur :- Keishampat, Konung Mamang, Uripok, Hatta, Lamlong, Singjamei, Pangei, Khumbong, Mayang Imphal, Yairipok, Thoubal, Wangjing, Kakching, Sugnu, Nambol, Bishnupur, Moirang, Churachandpur, Sekmai, Senapati, Noney and Jiribam.
Interested and eligible candidates may kindly submit their application form at any of the Branches of Manipur Development Financial investment (MDFI) Manipur.
* Six months Certificate Course in Computer Application (CCCA)is mandatory for the post of BDO, PO, LO and LI.
* Transfer facility at the nearest branch.

HL-P/6667/3, 5, 8, Jan. 21

**Sd/- Managing Director**



HL Poll

Q: Mob justiceki mayokta leingakna matik chaba action loukhatlagani hairiba asi afaba khongthangni haina khanbra ?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipurda khundariba furup 37 lomgi museumsing sananaba leingakna paikhatlakliba thourang asi pukning thougatningai oibra ?

Yes 88% No 12%


ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৯.৯২ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৯.৫৮ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৬.০০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!





LOAN AVAILABLE

VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
GOLD MORTGAGE



- No Guarantor required
- One Day Delivery

Area Coverage:
Imphal East | Imphal West | Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-B/6509/9th Dec. to 6th Jan.